ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ০৯, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২২৭শুবা মশীং

নিংঙোল চাক্কৌবগী অনৌবা মায়ওন

ৱাহন্থোক লৈনা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনরসি

হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা য়াম্নসু মরুওইবা থৌরম অমনি। নুমিৎ অসিদা য়ূম্লাক-শাগৈ ওন্দুনা ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংবু মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপা ওইবশিংনা লৈব-লৈতবা থিদনা চাক চরা অমা চামিন্নরগা খূদোলপোৎ পীদুনা ময়ূমদা হরাও-তয়াম্না হনবগী চৎনবী অসিবু নিঙোল চাক্কৌবা হায়রগা ইচম চম্না খঙনরকই। মীরোল কয়াগী হাক্তক্তগী অসিগুম্বা চৎনবী অসি মণিপুরদা লৈরক্লি। ষ্টেট অসিদা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগী ওইবা ফেষ্টিভেলশিং লৈ। ফেষ্টিভেল ময়াম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মহাও লৈজরগসু মীতৈগী নিঙোল চাক্কৌবা হায়বসিদি পূমতোপ তোপ্পা, খ্বাইদগী ফজরবা কূম্মৈ মখল অমনি হায়বদা মালেম পূম্বনা শোয়দনা য়ানরগদবা ৱাফমনি। কূম্মৈ অসি মীতৈগী অহানবা নিংথৌ পাখঙবা হাক্তক্তগী পাঙথোরকই হায়না তোঙান-তোঙানবা অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ ফোঙদোক্লরকই। মতম অদুদদি মচন্নুপীশিংনা মবুং-মৌপ্বাশিংবু কৌরগা চাক পীজবগী চৎনবী ওইনা তৌরম্মী। নিংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তিগী হাক্তক্তা মচন্নুপী য়াম্মনবনা মবুং অসিবু চাক কৌবগী মচন্নুপীশিংনা মুন্নরকপদগী নিংথৌ অসিনা মচন্নুপীনা চাক কৌবগী মওং-মতৌ অদু হোংদোক্লগা মবুং-মৌপ্বাশিংনা কৌবগী মওং হোংদোকখি হায়নসু অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরি। শাংলবা চহী ময়াম অমা মায়কৈ ফাংনা ওঙখ্রবা নিঙোলশিংনা লৈব-লৈতবা থিদনা, তঙায়ফদবা থবক ময়াম অমা লৈরবসু শোয়দনমক্কী চত্তবা য়াদবা অমনি খন্নদুনা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোক্লরক্লি। মতম অমদদি মবুং-মৌপ্বাশিংগী মনাক্তা লাকপদা ইঙ্খোলদা পানবা হৈ-রা খরখক পুরগা লাক্লরম্মী। মচল-মচেশিংগা, মবুং-মৌপ্বাশিংগা পীক্লিঙৈ মতমগী মতৌ নীংশিংনদুনা পূমকোয় কোয়না চাক চামিন্নগনি, কনাগুম্বা খরদি মবুংগা পূন্না চাক চামিন্নবসু য়াওদবা নত্তে। অঙাং ওইরিঙৈগী ওইনখিবা ৱারী কয়া, হৌজিক-হৌজিক শাগৈ ওন্দুনা হিংলিবা পুন্সিদা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী লীনৈ। তুংদা মবুং-মৌপ্বাশিংনা মচে-মচলশিংবু ফিদা থাদুনা ফমহল্লগা অচম্বা খূদোলপোৎ পীনরম্মী। চনু-নিঙোল ওইরিঙৈ মশুং মমান্নবী ওইনা হৌমিন কামিন্নরক্লবসু শাগৈ ওনখিবা নুমিৎতগী শকউনখিদ্রবশিং মপাম লমদমদা লাক্লবদা হরাওনা কৌনবা, কমদৌরি হায়না হংনবগী খুদোংচাবা ফংবা কুম্মৈ অসি ঙসিদি মীতৈ খুন্নাই খক্কী ওইনা তৌরবসু কুম্মৈ অসিগী ফজরবা মশক অসি খঙলকপা মালেমগী ফুরুপ অতৈনসু নোংমদি শোয়দনা মতৌ তম্নরকপা য়াই। অসুম্না মবুং-মৌপ্বাগী শেংলবা নুংশি-মরীবু চেৎশিলহল্লিবা ফজরবা নাৎকী চৎনবী অসিবু ঙসিদি খঙহৌদবা শাফূ কয়ানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মশক-মচু ওন্থোকপীরে। অসিগুম্বা শাফূ অসি থিংহৌদ্রবদি নোংমদি শোয়দনমক্কী নিঙোল চাক্কৌবগী মওং কায়রকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

মশাগী অরৈবা ফিরোল শেৎ-চাদুনা মবুং-মৌপ্বাগী ময়ূমদা লাকপবু কনাদা ইকায়গদৌরিবনো? পীশক পীক্লিঙৈ মতমদগী অপোকপী মমানা ফমুং অমত্তদা মোল্লবা মমাগী খূৎনা পোপ-পোপ থাদুনা নাউশুমবীখিবা মচলবু মবুং-মৌপ্বানা অমোৎপা ফি শেৎলগা লাকই, মীয়াম মমাঙদা ইকায় হায়না করম্বা মতমদা চৈবা য়াওখ্রবগে? মশাগী অরৈবা পোৎ পুরগা চাক চরা অমখক্কীদমক লাকপগী মহুত্তা নম্বো-ও থাবো-ও তৌদুনা গুলা কৌতা মরি-মঙা, য়ুবী তরূক-তরেৎ, লফোয় লফাং চবুন অমা, ক্বা অমদি অথুম-অহাওনচিংবা মী নেক্তুনা পুরকপগী চৎনবী অমা লাক্লে। অমরোমদনা মবুং-মৌপ্বাশিংনসু মচল-মচেগী অচম্বা খূদোলপোৎ পীবগী মহুত্তা মমল য়াম্লবা পোৎ-চৈ কয়া পীনরে। কনাগুম্বা ইমুংদদি চাকা অনী পানবা গাড়ীফাওবা খূদোল ওইনা পীনরে। অসিগুম্বা চৎনবী অসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। শেন্মীৎলোনদা মীপাল তাংলগা হিংলিবা লমদম অসিদা তূংদুনা লৈহৌগদবা শেনফম পূম্নমক চহী অমগী মনুংদা অমুক থোরকপদা মপানদা পূল্লপ হৈদোকখিবগী মওং অমা লাক্লে। সেন্টরগী থৌজালদা হিংলিবা মণিপুরী খুন্নাইনা মশাগী অচেৎপা শেন্মীৎলোন অমা শাগৎননবা হোৎনবদা নিঙোল চাক্কৌবগী খূদোলপোৎ পীবদা হিদান্নরকপসিনা চাউনা মাঙজহল্লে। নিঙোলশিংনা পুরক্লিবা গুলা, লফোয়, য়ুবী, সেম, কোমলা অমদি অতৈ পোৎলমশিং মণিপুরদা থোকপা পোথোক অয়াম্বা নৎত্রে। মপান্দগী পুশিল্লকপা, মপান্দা শেল চৎখিগদবা পোৎলম্না অয়াম্বা ওইরে। নিঙোল চাক্কৌবা চৎননবগীদমক্তনি হায়দুনা মচা-মশূশিংগী, নিঙোল মশামক্কী শেৎন-চাননবা লৈরিবা পোৎলমশিংসু মপান্দগী তাংবনি। শম্না হায়রবদা, থাধরক্লিবা শেনফমশিং অমুক হন্না মপানগী মীওইশিংনা খোল্লুগা পুখিবগুম্বনি। ৱাফম অসি শেন্মীৎলোন নৈনবা কাঙবুদদি খ্বাইদগী খোইদৌ শাউগৎপা কূম্মৈ অমা ওইরকপা চহী য়ামশিল্লক্লে। ফীভম অসিদা ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মবুং-মৌপ্বাশিংনা মচল-মচেগীদমক্তনি হায়দুনা পীবা খূদোলপোৎতা মমল য়াম্বা পোৎ পীনরকপনা মৌ অমগা মৌ অমগগী মরক্তা অনেম-অৱাং খায়হন্দুনা ঈংনা-তপ্না পানবা ইমুং কয়া মৈথক্তা থম্বীরে। নিঙোল চাক্কৌবা য়ৌরক্কদৌরে খনবদা হরাও-মথোই কানরিবা নিঙোলশিংগী মশীংদগী নীংবা কায়বগী মীৎলু পিরাং শীন্থরিবা নিঙোল মশীংনা হেল্লক্লগদ্রা হায়বগী মিপাইবা লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা থুনা-য়াঙনা চৎনবী অমা ওইনা শন্দোরক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবগী মশক ওল্লবা শক্তম অসি থিংননবা হোৎনহৌবা চুমগনি। মসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। তঙায়ফদ্রবদি লৈকায়-লৈকায়গী ওইনা অসিগুম্বা নাপ চাদবা মওং-মতৌ অসি তৌদনবা ৱাখল্লোন পীবগী কান্নবসু লৈগনি। মবুং-মৌপ্বা, মচল-মচেশিংনসু ৱাখল খন্থমিন্নরগা মবুংদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা খূদোলপোৎ পীয়ু হায়রোইদবনি। মতম কুইনা উনরুদবগী অৱা-নুংঙাই ৱারী শানরগা অথোংবা খরা হরাও-হরাও চামিন্নরবা মতুংদা অঙম্বা খূদোল তমদুনা নিংঙোল চাক্কৌবগী অশেংবা ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনরসি।

••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••

নিংঙোল ওইবী পূম্নমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

চাক কৌবীনবা কনা লৈজদ্রবী অমদি নৌনা মমা-মপা, মপূরোইবা কায়নখ্রবী অৱাবতনা মশরুক ওইরবী, নোংমতা হরাউমীনোক তম্বা ফংজদ্রবী লমদমসিগী নিংঙোলশিং অসিসু থম্মোয়দদি কুম অমগী মনুংদা অমুক্তং য়াম্না তাঙনা লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎনীংলি, হংলি ঐখোয়সিবু লমদমসিগী নিংঙোল নত্ত্রা? অদুবু খাম্বা য়াদনা ইফুৎকুম চেন্থরক্লিবা মীৎকী পিসি নত্তনা কনা লৈজদ্রবী নিংঙোলশিং অসিগী থম্মোয়গী তেংথাখোল ঙসিগী তাইবঙ কনানা তাবীদে। মখোয়গী পিক্লিবা থৱায়শিং অসিনা ইমা ঐখোয়গীদি চাক্কৌবা চৎলোইদ্রা? চাক্কৌবা চৎসি হায়দুনা নিংঙাই তৌরকপা মীৎকুপ্তা থম্মোয় শোক্লা কপচবা নত্তনা মচাগী পাউখুম পীবা ঙমজদে। নিংঙোল য়াওজদবা মচে, মচল লৈজদবা লমদমসিগী মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বা ওইবা কয়া অমসু ঐগীসু ইচে নিংঙোল, ইচে-ইচল লৈজরন্নবদি হায়দুনা থম্মোয়দ তেংথাজবসু কয়া অমনি।

অমরোমদা মবুং-মৌপ্বা লৈনা লৈনা মচে-মচল ওইবীশিংবু কুম অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমসিদা হরাউ-হরাউ চাক কৌনীংদবা মবুং-মৌপ্বা কয়া অমসু লমদমসিদা লৈতবা নত্তে অদুবু মাগী মাগী নুপীশিংদি লৈজবী থাদুনা অরং-অরাক লৈতেংদুনা চাক্কৌবা চৎহল্লি, নূংদগীসু হেন্না কল্লি মখোয়গী থম্মোয়সে, অসিগুম্বা মীৎকুপসিদা মখোয়গী শোল্লবা মমা-মপা ওইরিবা অহলশিং অসিনা হায়জবদি ঙমজদা থম্মোয় শোক্লা কপচবা কয়া অমসুনি ইমিৎসিনা উরিবা। মরায়বক থীরবী কনা লৈজদ্রবী লমদমসিগী নিংঙোলশিং অসিগীদমক ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ষ্টেটকী থাক্তা চহী খুদিংগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম শিনবীদুনা মীৎকী পি কংদ্রবী কনা লৈজদ্রবী নিংঙোলশিং অসিবু মীৎকুপ খরদং ওইরবসু হরাউ মীনোক তমহন্নীংই। কুম অমগী মনুংদা নোংমখক লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী ৱাহন্থোক য়াম্না ফজে, মচে মচল ওইবশিংনা ঙমজবা অচা-অথক পুদুনা অমদি মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপা ওইবশিংনা ঙমজবা মথেল-লুকোই লাংদুনা লৈবা-লৈতবা থিদনা হরাও মীনোক তম চামিন-থকমিন্নবগী অসুক নুংঙাইরবা মীৎকুপসিদগী হেনবা করম্বা নুংঙাইবা মীৎকুপ অমমুক লৈরমখিনি ঙসিগী মালেম তাইবঙসিদা। কংলৈ লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা ৱাখল তামিন্নদুনা কুম অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা ফজখ্রবা নিংঙোল চাক্কৌবা অসিবু খুদোল পোৎকী হিদান্নবা থাদোক্তুনা নিংঙোল ওইবীশিংনসু মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা ঙমজবা খুদোল তম্বসিদা পেন্থোক্তুনা ঙসি হায়বা নুমিৎসিদগী হরাউ মীনোক তম্মীন্নরসি হায়বা ৱাফমসিগা লোয়ননা লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী পূম্নমক্কী মফমদা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎসিদা নিংঙোল-পিবা ওইবশিংগী মরক্তা নুংশি মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা তেক্তা-কায়দবা, নুংঙাই-য়াইফবতা ওইরসনু হায়না লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী পূম্নমক্কী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

অদোমগী- নৱাং ঙাঙোম

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১। কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দ্রিঙৈদা লমদমসিদা চৎনরম্বা শেল অসি শেল মখায় হায়বসিনি। শেল মখায় অনীনা শেল অমা শাই।

(ক) শেল মখায় কয়ানা শেল চাম্মা শাবগে? (খ) শেল মখায় কয়ানা শেল লীশিং অমা শাবগে?

২। লান মমাঙগী কবি অনীনা 'লৈপাকলৈ' শৈরেং অমমম ইরম্মী। লৈ অসিবু 'চিন্নাইদবী মরুপ' হায়রম্বদু করম্বা কবিনো?

৩। "ঐগী মিং সোরোজিনি কৌবনি। অদুবু শাংমল্লি হায়দুনা মাদি সোরো সোরোদমক মকৌই।" পরেং অনীসি 'থম্মোই নিঙাই' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "ঐগী অয়াকপা অহৌবা খোল্লাউদা/কিন্থখিগনি নিংখায়খিগনি।" পরেং অনীসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চীংমুক লেমহন্নিংই/চীংজুম্মুক শেংহন্নিংঙি নুংশিবী।" ঈশৈ পরেং অনীসিনা শামুরাইলাৎপম নব শর্ম্মানা শকখিবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হৌখ্রবা সঙাই ফেষ্টিবেলশিংনা মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হেনগৎহনবা ঙমখ্রবরা

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

থাইলেন্দদা লম কোয়বা মী লাকপীনবা কুম্মৈ তৌবজাৎলা? খঙনিংখ্রেদা! মালেমগী লমকোয়বা মীয়াম লাকপীনবা শেল চঙনা নুংঙাইবা কুম্মৈ তৌদ্রবসু থাইলেন্দদা লমকোয়বা মী য়াম্না চৎনৈ। থাইলেন্দদা হায়নৈ লমকোয়বশিংনা। থাইলেন্দ হায়রদি লোয়রে ৱা লমকোয়বদা। মণিপুরদগীসু কোয়বা মী মশিং খঙদ্রে থাইলেন্দ চৎলিবা টিভিদা ফোটোদা ইন্টরনেটতা উবদদি থাইলেন্দ হায়বসি ফজখ্রেদা। পূক্লিং হুনা থায়না মমাঙঙৈদা শারম্বা ফজরবা অরিবা লাইশঙ কয়া অমদি ফজরবা নিংথৌরোলগী কোনুং কয়া লৈ। মদুতা য়েংবদা লমকোয়বশিংগী পূক্লিং শুক্নৎনিংঙাই য়াম্না ওইরি। পূক্লিং হুরবা মহৌশাগী ফজরবা মফম কয়া লৈবগী মথক্তা খুৎ চঙনা হক্তুনা শাবা লাইশঙ কয়া গৌতম বুধগী মীতম কয়া শাদুনা লৈ। ম্যান্মারদসু লম কোয়বা মী কয়া চৎলি লৈবাক অসিগী লৈঙাক অসি মওং চাদ্রবসু। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবীরম্বা পূক্লিং হুরবা মফম কয়া লৈবগী মথক্তা খুৎ চঙনা হক্তুনা শাবা থায়নগী লাইশঙ, গৌতম বুধগী ৱাং-চাউরবা মীতম কয়া অমদি ফজরবা নিংথৌকোলগী কোনুং লৈরি। মণিপুর মচা কয়া লমকোয়বা চৎলি ম্যান্মারদা নোংমা কাংদনা। মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াসু লৈরি লমকোয়বদা পূক্লিং হুরবা মফম কয়া। মথক্কী লৈবাক অনীতবু নত্তে ফজবসি। মণিপুরগা নক্লবা য়ুমথংনবা লৈবাক্লি হায়দুনা পঞ্জবনি। অমরোমদা মণিপুর মচাশিংনসু মথক্কী লৈবাক অনী অসিদা শেল ইতিং-তিংদনা লমকোয়বা চৎপদুদা পঞ্জবখক্তনি।

করিগুম্বা থাইলেন্দ অমদি ম্যান্মারদা খুৎ চঙনা হক্তুনা শাবা ৱাং চাউরবা বুধগী লাইশঙ পেগোদাদা কয়া অমদি মশিং থিঙমদ্রবা ৱাং চাউরবা গৌতম বুধগী মীতম কয়া চীং, তম্পাক্কী মফম কয়াদা শাদুনা লৈরমদ্রবদি লমকোয়বা মী মশিং য়াম্না হন্থগনি। পাৎ, তুরেল, সমুদ্রগী ফজবসু লৈতবা নত্তে লৈবাক অসিদা। মদুখক্তনদি লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা থোইদোক্লা ঙল্লোই। থাইলেন্দ হায়রগা লমকোয়বগী ৱা লোয়রে হায়নবদু হায়নরমদবসু য়াই। চীং, পাৎ, তুরেল, সমুদ্রগী ফজবদি ইন্দিয়াদসু য়াম্না লৈ। অতৈ মালেমগী লৈবাক কয়াদসু লৈনৈ। মদুগী ফজবা অমদি কোয়বগী নুংঙাইবদু লোয়না ফংনৈ। মরম অদুনা থাইলেন্দগী সমুদ্র, পাৎ, তুরেল য়েংনবগীদমক্তদি শেল তিংনা, মতম মাংনা মফমদুদা লমকোয়বা চৎনিংলোই হায়নিংই। লমকোয়বা মীশিংসি চিলহাও য়াম্না থিবনি।

থাইলেন্দ অমদি ম্যান্মারদা লমকোয়বা চৎনরিবগী মরম অমা হায়বা তারবদি থায়নগী হক্তুনা শারম্বা য়াম্না ৱাং চাউরবা পেগোদাশিং গৌতম বুধগী অঙকপা ফংনা ৱাং চাউবা মীতমশিং অমদি থায়নগী ফজরবা অরিবা কোনুংশিং অদুননি। ইন্দিয়াগী ওইনা হায়রবদা মীশিং য়াম্মনবদগী শোৎথনা লৈহৌরবা উত্তর প্রদেশতা নোংমদা মীওই লিশিং-লিশিংনা খুজিং ওইদুনা লমকোয়বা চৎনরি। মদু মীয়াম্না খঙনরি লোয়না। অগ্রা হায়বা মফমদুদা নিংথৌরেল শাহজহাননা মাগী নুপী মমতাজগী মঙফম ওইনা শাদুনা থল্লম্বা তাজমহল য়েংবা চৎনরিবনি। মালেমগী অঙকপা পোৎশক তরেৎকী মনুংদা তাজমহলসু অমা ওইরিবনি। তাজমহল মহৌশা লাইরেম্বীনা থল্লম্বা পূক্লিং হুরবা মফম অমদি নত্তে। তাইবং মীওইবনা শাবা খুৎশেমগী ওইবা পোৎশক অমনি।

মণিপুরগী মতাংদা অমুক লাক্লবদা মণিপুরদা মালেমগী লমকোয়বশিংনা পূক্লিং হুনা য়েংনিংগদবা করি মফম লৈ হায়না লৌবা য়াই? গভর্ণমেন্টনসু মীয়াম্নসু হেক্তা কোম্না হায়রক্কনি লোক্তাক পাৎ লমকোয়বশিংগী পূক্লিং হুবা মফম ওইগনি। য়াই মসিসু অদুবু হৌখিবা চহী কয়াদ লোক্তাক পাৎ য়েংবা লমকোয়বশিং লাকপগী চাং অদু খঙদোকপা চুম্মী। চাংদু মীয়াম্নসু অদুমক ইখঙ খঙই, টুরিজম দিপার্টমেন্টনসু খঙই অদুগা মোইরাংগী মীয়াম্নসু অদুম্মক খঙবা ৱানি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টনসু ফোরেন টুরিষ্টশিং লমকোয়বা চহী অমদা কয়া য়াম্না লাকই হায়বদু করিনা হায়ববু ফোরেন টুরিষ্টশিংদি ভিজা লৌরগা লাক্লিবনি। লোক্তাক পাৎকী ফজবা মওং ওইদুনসু মণিপুরদা ইন্দিয়া মনুংগী টুরিষ্টশিং লাক্তে হায়বা য়াই। ফোরেন টুরিষ্টশিং লাক্তে লোক্তাক্কী ফজবা য়েংবা। অদুননি সঙাই ফেষ্টিবেল মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শেল চঙনা ৱানা অচৌবা থবক অমা তৌরিবসি চহী খুদিংগী। লমকোয়বশিং কনানসু হায়বা/তাকপা/তম্বা তৌদনা মশানা য়েংনিংনা লোক্তাক য়েংবা নৎত্রগা অতৈ মফম য়েংবা লাক্লগবু করিগী শেল য়াম্না চঙনা, মতম মাংনা, থবক ৱানা পাঙ্গল তেকপমখৈ টুরিষ্টশিং লাকপীনবা সঙাই ফেষ্টিবেল তৌগনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টসু হায়জে, হায়জবতা নত্তে পান্দম ওইনা থল্লিবনি লমকোয়বশিং মণিপুরদা লম কোয়বা লাকপীনবা হায়দুনা পূক্লিং চিংশিল্লিবনি। ফোরেন কন্ত্রি কয়াগী মরুওইবা লুচিংবশিং/লৈঙাকপশিং গভর্ণমেন্টকী থাক্তা চেবাউ পীদুনা থওইনা কৌরিবনি। সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবীরুলাউ, লোক্তাক পাৎকী ফজবশিং মীৎয়েং তাবীরুলাউ অতৈ ফজবশিং য়েংবীরুলাউ হায়দুনা। লোক্তাক পাৎ য়েংখ্রে, জগোয়-ঈশৈ য়েংখ্রে, নুপী কৈথেল য়েংখ্রে মপান লমগী মীওই কয়া সঙাই ফেষ্টিবেল য়াওবা লাকপদা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদা। অদুগী মখা তারকপদা হায়বদি সঙাই ফেষ্টিবেলগী মতুংদা টুরিষ্টশিং লাকপগী মশিং করিসু হেঙ্গৎলক্তে। মসি ইরাই লায়না খঙবা ৱানি মদুদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ফোরেন টুরিষ্টশিং উদ্রি। ৱা লোয়রে শ্বাইদা। জগোয় ঈশৈ হায়রে ঐখোয়না হেক্তা হেনবসু নত্তে। মীগীসু ফজ-ফজবা অদুম্মক লৈ। ঐখোয়গীনা ময়ামদগী য়াম্না তোপ তোপ্পা ওইবসু নত্তে। ঐখোয়না হৈবোং মনুংদা ইশানা ইলাং লাংজবগী ৱানি। নুপী কৈথেলগী তোপ তোপ্পা মগুন লৈ। লৈতে হায়বা য়াদে। অদুবু টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং হুগদবা থাক/চাং অদুদি করিসু ওইদে। শম্না টুরিষ্টশিংবু নমদুনা লাক্লবগী ফীভম অদুদি ওইদে। ঐখোয়তনবু তোপ তোপ্পা হায়জবগী ৱানি। মণিপুরদা চারিবা চীঞাক/এঞ্জাং হায়রো মসিনা টুরিষ্টশিংদা কাউবা ঙমদবা হেক্তা চানিংলকপা ফাওবা মহাউ হায়বদু ওইহনবা ঙমদ্রি। অদুবু ওইথোকপা য়াবা অমদি উতি, চগেমপোম্বা অমদি চাকহাউ খেরদি মালেমগী মফম অতৈদা তোপ তোপ্লবসু টুরিষ্টশিংগী খুবি চিকখায়হনবগী থাক অদু য়ৌনা থোং থাক্তুনা পীজবা হৈত্রি।

সঙাই ফেষ্টিবেলগী মতুংদা টুরিষ্টশিং লোক্তাক পাৎ য়েংবা লাকপগী চাং হেঙ্গৎলক্তবসিনা তাকপদি লোক্তাক পাৎতা টুরিষ্টকী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমদবগী অৱাৎপা মচাক খরদি লৈরে হায়না লৌবা য়াই। অমরোমদা, লোক্তাক পাৎ থুমহি চেন্দবা পাৎ অমা ওইজরবসু অতৈ লমদা লৈরিবা পাৎশিংদগী থোইদোক্লা তোপ তোপ্পা মগুন হেক য়েংবদা উবা নত্তে। শম্না য়াম্না হেন্না ফজবা নত্তে। মদুগী খুদম হায়ববু টুরিষ্টশিংনা মশক খঙদ্রিবসিনি। টুরিষ্টশিংগী কোক্তা, থম্মোয়দা য়ৌশিনবা ঙমদ্রিবসিনা। করিগুম্বা পোৎশক অমনা তোঙানবা মগুন অমা হেক লৈবদা লোৎশিন্দুনা থম্বা য়াবা নত্তে। ঐখোয়না কৌরুদ্রবসু, তাক্লুদ্রবসু টুরিষ্টশিং মশা মথন্তা কোয়থি-থিদুনা লমকোয়বা লাক্কনি। লম্বী থোং ফৎত্রবসু, ঈরাং লৈদুনা লো এন্দ ওর্দর ফৎত্রবসু টুরিষ্টশিংদা অকিবা, নিংহন্নবা লৈরোই, থিংবসু ঙল্লোই। মসিগী খুদম হায়ববু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দাল লেক য়েংবা লাকপা টুরিষ্টশিংগী মশিং খুৎ থেকপা ঙমদ্রি ফনা লালহৌবগী ঈরাং লৈজরবসু। অমরোমদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগা মণিপুরগা চাংদম্নরুরবদি য়াবা নত্তে। ফজবগী হায়রুরবদি কাশ্মিরনা য়াম্না হেল্লি মণিপুরদগী। অদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টুরিষ্টশিং লাকপীনবা সঙাই ফেষ্টিবেলগুম্বা অচৌবা কুম্মৈ তৌবা নত্তে।

মীয়ামসু, গভর্ণমেন্টসু খঙনসি মদুদি মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং ৱাংহনসি হায়রবদি লোক্তাক পাৎ ফজনবা শেমগৎত্রবদি কান্নরোই। মণিপুরগী অতৈ লমদি থোইদোক্লা কান্নরোই। সিরোই লিলিসু থোয়না পূক্লিং হুরোই। অদুবু লোক্তাক পাৎনা মমিং লৈরিবসি করিদগীনো? থাজদবা তৌবীগনু থায়নগী খম্বা-থোইবীগী মোইরাং কংলৈরোলদগীনি। পাৎ অসিগী ওইনদি তোঙানবা মগুন/মশক অমা তোপ্পা লৈবা নত্তে। মালেমগী পাৎ কয়াদগী অমখক হায়ববু থুমহি চেন্দবা অদুখক্তনি। থুমহি চেন্দবদুনা টুরিষ্টশিংনা য়েংনিংবা হেনগৎলক্কদবা নত্তে। টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং শুক্নৎকে হায়বা তারবদি মহৌশাগী ফজবা লোক্তাক পাৎসিদা মীওইবনা খুৎশেমগী শেমগৎ শাগৎপা য়াওরবদি মায় পাক্কনি টুরিজমদা। শম্না থোইবীনা লোয় কুম্লকপদা খম্বনা ওকপগী মীতম, কাউ ফাবগী, কৈ ফাবগী অসিনচিংবা চুনবা মীতম লোক্তাক মপান্দা নৎত্রগা সেন্দ্রা চীংথক্তা শাদুনা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী লীরবদি টুরিষ্টশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমগনি। মীতমশিংদুদি য়াম্না ৱাং চাউবা নৎত্রবদি চন্নরোই। লোক্তাক পাৎ হায়বসি "লেক ওফ লব" হায়বনি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা শন্দোকপদা য়াম্না কান্নগনি। সঙাই ফেষ্টিবেলদা চঙবা শেনফমদুনা মসোমদা শীজিন্নরবদি ফগনি খল্লি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী টুরিজমগী ফন্দ লৌথদুনা শেম্নবা হোৎনবীয়ু। লোক্তাক্তা গেষ্ট হাউস, অফবা হোটেল, মোইরাং কংলৈরোলদা য়ুম্ফম ওইবা ম্যুজিয়ম অমা শানবা হোৎনবীয়ু। সেন্দ্রা চীংদগী থাঙ্গা চীং ফাওবগী রোপ ৱেনা শম্নহনবীয়ু টুরিষ্ট লাক্তত্রা য়েংনসি। অদুগা টুরিজমনা মণিপুরগী মীওই কয়া মশানা মশাবু শেন্থোক লৈবা থবক ফংবা ঙমদব্রা য়েংসি। মদুগী থবক্তো গভর্ণমেন্টনা পীবনি। থবক পীবা ঙম্বা গভর্ণমেন্ট হায়বদু ওইগনি। লোক্তাক্তা শাগদবা গেষ্ট হাউস অদুদা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোথোকশিং ফংহল্লবদি অমুক্কা হেন্না কান্নগনি। মণিপুরগী খুনুং ঈশৈ, খুলং ঈশৈ, জগোয়, থাঙ-তানচিংবসু গেষ্ট হাউসকী হোলদা উৎলবদি টুরিষ্টশিংসু লমকোয়বা লাকপগী চোকথবা লৈরোই হায়না খল্লি।

ঙসি নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ঙসি নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা খঙই মদুদি 'কুম অমগী নিংঙোল চাক্কৌবগী নুমিৎ' হায়বসি চহী অমগী মনুংদা নোংমখক্তং পাঙথোকপা নিংঙোলশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈগী নুমিৎ অমনি। নুমিৎসিদা মপাম লমদম থাদোক্তুনা মায়কৈ ফাংনা ওংখ্রবী, য়ূম্নাক শাগৈ তোঙানখ্রবী, মণিপুরগী নিংঙোল ওইবী খুদিংমক্লা মপাম লমদমদা লাক্তুনা মবুং মৌপ্বা ওইবশিংগা পূন্না চাকলেন অমা চামিন্নরগনি। ঙসিসু কুম্মৈসিগীদমক লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী পূম্নমক্লা মপাম লমদমশিং পাংনবগীদমক শোয়দনমক্কী শেম-শাদুনা লৈনরম্লগনি। নুমিৎসিদা লমদমসিগী নিংঙোল ওইবী ইচে-ইচলশিং খুদিংমক্লা লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা, নিংঙোল-পিবা অনীগী নুংশিনবগী চেৎলবা মরীদুবু থম্মোয়নুংদা কিসি ওইনা কিবীরগা ইপাম লমদমশিং পাংনা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎপা ঙম্বীরবদি লৈপাকসি শোয়দনমক্কী খরদংদা ওইরবসু ঈংথরক্কনি অমসুং তংদু লৈতারক্কনি হায়বসি খল্লি। ইরৈপাক-ইরমদমসি তাইওন্নবশিংতনা পুমথন-থনখ্রে। অদুম ওইনমক, থৌদৌসিগা ইরোয়ননা, ইরমদমসিগী ইচল-ইচে পূম্নমক্কী মফমদা 'মতম মতমগী ৱাফম'না ঙসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈসিগীদমক য়াইফ-পাউজেল পীজরি।

নুংশিবগী ৱাহন্থোক্তি মায়কৈ য়াম্মী। মপাম লমদম থাদোক্তুনা অতোপ্পা য়ূম্নাক-শাগৈশিংদা য়ূমলেপ-চারা তমখ্রবী লমদমসিগী নিংঙোলশিংনা মপাম লমদমগী মবুং মৌপ্বা ওইবশিংবু নুংশিজবগী ৱাখল্লোনসিসু অঙকপনি। তশেংনমক, নুংশিবগী তাঙলবা শক্লোন অমনি। মপূরোইবগী য়ূমদা কয়াগী মতিক নুংঙাই-য়াইফনা, ইনাক-কৈরাক খুন্না অমসুং তেকথবা মখৈ অৱাৎ-অপাশিং লৈতনা পাল্লবসু নিংঙোল ওইবীশিংগী মফমদা হৌজরকপা মপাম লমদম্না করি চারমগদবা খঞ্জরুবদা থাঙ্গৎচরুবা চখোম কয়াবু য়েংজরগা মমিত্তগী মপি চদুম-চদুম শিন্থজবা ঙল্লিবা নিংঙোলশিংগী থম্মোয়নি। অমরোমদা মপাম লমদম ইনাক-কৈরাক হায়ফেৎ খুঞ্জবা নিংঙোলশিংনা মপাম লমদমদগী পুরকপা অচা-অথক, অনৌ-অপেন কয়ামরুম্মু মপূরোইবগী য়ূমদা পুশিঞ্জরগা লেন্নজদুনা মপূক্লিংদা হরাউ-নুংঙাইবগী ঈথকসু কাজবা ঙল্লিবা নিংঙোলশিংনি। মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা নিংঙোলশিংগী কুম্মৈ অমমুক লৈরম্লোই। হৌজিক্কী মতমদা ফীভমসি খঙনা চৎপীগদবা নিংঙোলশিং অমদি নিংঙোলশিংগী মপামশিং তাঙশিল্লকই। তশেংনমক, নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা ঐখোয়দা পীরিবা নুংগী ওইবা নুংশিবগী ৱাহন্থোকসি অসুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমগী অমত্তা ঙাইরবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনসিবু ময়েক শেংনা খঙজিনমিন্নবা ঙল্লবদি, ঐখোয়গী লৈপাকসি ঙসিমক মরা তপ্না অমসুং নুংশি-চান্নবা চাওখৎমিন্নবা লৈপাক অমা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইরকপা য়াই। মায়কৈ খুদিংমক শুনা পীরিবা কুম্মৈসিগী তাঙলবা নুংশি পাউজেলসিনা লৈপাকসিগী মফম খুদিংমক য়ৌনা কাচিন-কোয়া শিন-থুংনা শন্দোকপা ঙম্বা ওইরসনু।

অদুঙৈ, য়েলহৌঙৈ মতমগী ৱারীনি। মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংনা মচল-মচে ওইবশিংবু নুংশিজবগী ময়েক লারবা খুদমনি। খুদমসিনা চেৎনা পুন্দুনা মবুং ওইরিবা চীঙ্খোঙ পোইরৈতোন্না মপাম লমদম থাদোক্লম্লগা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী কোনুং মশাইগোনদা য়াওংখ্রবী, য়ূম্নাক-শাগৈ হোংখ্রবী মচন্নুপী লাইস্নাবু নুংশিজনা হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদা কুমগী মহৈ-মরোংশিংগা লোয়ননা, ফৌনৌ চেঙনা তরা-চাকপু চাক্তৌজরম্মী। থৌদৌসিগী মতৌ তমদুনা মীতৈ/মৈতৈশিংনা ঙসিসু পোইরৈ লমদমসিদা মবুং-মৌপ্বা ওইবা খুদিংমক্লা মচন-মচে ওইবীশিংবু হিয়াঙ্গৈ থানা লাকপদা, চহী খুদিংগী নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমসি পাঙথোক্লরিবনি। নুমিত্তুদা চীঙ্খোঙ পোইরৈতোন্না মচন্নুপী লাইস্নাগী মফমদা লোইমোম ফৌখল অমবু মশেন্নুপা পাখঙবদা পীজরু হায়না খুদোল তমখি। লোইমোম ফৌ মখলদুগী চেঙনা থোংবা তরা চাকপু চারুবদা ময়েক শেংনা মহাউ লৈরম্মী হায়দুনা মশেন্নুপা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পীরকপা লোইমোম ফৌদুগী মমিংবু মবাই পোইরৈতোনগী মমিং লৌদুনা 'চাকহাউ পোইরৈতোন' হায়না মিংথোনখি। মৈত্রবাক্তা চাকহাউ পোইরৈতোনগী মিংথোল ৱারী লৈরম্বসিনা অদুঙৈ মীতৈ-মৈতৈশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম্মু, নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী হৌনা পাঙথোক্লরক্লবা মৈত্রবাক্কী লীরবা কুম্মৈনি হায়বসিগী চপ চাবা খুদমসু ওইনরি। নুংশিবগী মশকপু তরা চাক কৌবনা লেপ্পবা, অরিবা লোনচৎশিংগী মনুংদা চৎনবীসিগী হৌরকফমসিসু থৌদৌসিদগীনি লৌনরি। কুম্মৈসি কনামতদগী মীতৌ তম্লুবা নত্তে, মতমদুদগী হৌনা মৈত্রবাকচাশিংতগী ওইনা ময়েক শেংনা লৈরক্লুবা অরিবা কুম্মৈ মখল অমনি। মৈত্রবাক্কী চহী লিশীং অনী হেল্লক্লুবা পুৱারীসিনা মসিগী লেংদ্রবা খুদমনি।

হৌজিক্তা, নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম্মু ইনাকখুনবা, অৱৈবা কাঙবুশিং খরনা হিদান্নবগী মওংদা চৎথনরি। মচন-মচে, মবুং-মৌপ্বা ওইবশিংগী চন্নবা নুংশিনবগী ঈচেলসিবু নাথৈহন্নবা অমদি কুম্মৈসিবু ঈথক-ঈৱাংগী মওংদা অৱৈ-লৈত খায়দোক্তুনা হিদান্নবগী শক্লোন অমা ওইনা পুথোক্লক্ক বা কন্না হোৎনরি। থৌদৌসিনা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী নুংদা চেল্লিবা মচিন-মৌপ্বা, মচন-মবুংশিংগী ওইবা নুংশিনবগী শেংলবা ঈচেলসিবুদি কৈদৌঙৈদা খক মমি শামথহনবা ঙল্লোই। নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈবু ইনাকখুনবা, শেল পায়বা মীওই খুজোক খরখক্তগী ওইহৌনবা শিনবসু ওইথোক্লোই। লায়রবা, লৈজদবা ইমুংশিংগী মবুং-মৌপ্বাশিং, মচন-মচেশিং ওইবদদি মীনুংশিসি খক ফাওনরগনু হায়রিব্রা? নুংশিবা হায়বা পোৎশকসি শেলনা লৈবা খক ফংদে। নুংশিবদি শুপ্পগী থম্মোয়নুংদগী থোক্লকপা অশেংবা ইঙ্গিত্তুখক্তনা ফাওহনগদবনি। পাউজেলসি মতম লৈবা খিবিক্তা মনীং তম্না চেলহনসি। তাইবঙ শেম্বা মপূনা খুদোল তম্বীরম্বা মীওইবগী থম্মোয়গী মীনুংশি, খাঙ্গুথক্কী খূৎশেমগী পলনা কৈদৌঙৈদসু খক থিংবা ওইথোক্তে। লমদমসিদা লাই হাক্তক্তগী হৌনা চৎনরক্লবা নিংঙোল চাক্কৌবগী চৎনবীবু মী হাকথক্তা, খূৎশেমগী চৎনবী ওন্থোক্তুনা মরায় চায়থহন্নবা হোৎনবা অমসুং মচু হোংদোকহন্নবা শিল্লকপা থৌশিল খুদিংমক লমদমসিগী মীচম-মীয়াম পূম্নমক্লা খক য়াবা ঙল্লোই। মদুগী মহুত্তা, মালেমসিদা শকখঙনবা ৱাৎলিবা মচিন-মৌপ্বা, মবুং ওইবশিংগী নুংশিনবগী কুম্মৈসি মালেম পূম্বা শিন থুংনা শন্দোকখিনবা হোৎনমিন্নসি। তাইবঙপালসিদা মীওইবগী মীনুংশিগী ঈচেলশিংবু কংখিদনবা হোৎনবিরিবা মীওইশিংগী মশীংদি মহৌশানা খক য়ামগন্দে। মীনুংসিগী পাউজেল পুবা, মবুং-মৌপ্বা, মচন-মচে ওইবশিংগী থম্মোয়শিংবু চেৎনা, অচেৎপা লীপূন্না পুনশিনবীরিবা তাইবঙ ফম্বাকসিগী অমত্তা ঙাইরবা কুম্মৈদি নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈখক্তনি। য়েলহৌঙৈদগী হৌনা শেংনা চেন্থরক্লবা লমদমসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী ঈচেলসিবু শুপ্পগী লম্মখাঙদা খূৎশেমগী অচাউরম কাবা পাম্বা মীওইশিং খরগী লন্নাইগী হিদান্নফম ওন্থোকপা য়ারোই। পুৱারীবু মশক থীহন্নবা হোৎনবা হায়বসিদগী হেন্না চাউবা মরালশিং খক লৈরোই। হন্না-হন্না নৈনখ্রবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লমদমসিগী ৱাখল থেনবা মীওই খুজোক অমখক্লা, চাক চগ্রিং অমনা চেঙ-চেঙকোক অমবু মাঙথোকপগী থৌদৌমগুম মৈহৌরোলদগী হৌনা লৈরক্লবা মৈত্রবাক্কী নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈবু কনামতনা পুনীংবা মায়কৈদা খক পুনবা হোৎনবীগনু। ৱাফমসি ময়েক শেংনা থম্লিংই। লমদমসিগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা, লিংজেল মান্নবা অমদি অমত্তা ওইনা কুম্মৈসিগী মহৌশাগী ওইনা অশেংবা পান্দমদু অমুক্তং হঞ্জিল্লক্লুবা হোৎনমিন্নসি।

মতমসিগী মণিপুরগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম, চম্না অমসুং ৱাহন্থোক লৈনা পাঙথোক্লুবা শুকয়ামক য়াদ্রবা কুম্মৈ অমরা হায়বসি ৱাহং ওইনা হংনরক্লবনি। মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিন-থুংনা চহী অমগী মনুংদা নোংমখক্তং পাঙথোক্লরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসিনা পিক্লবা মণিপুরী খুন্নাইসিদা লায়রবা কাঙবুশিংদা পীরিবা অৱা চৈথেংশিং অমদি থোকহল্লক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদৌ কয়মরুমসিগী মমিশিং মতমসিগী ইনাক খুনবা ইমুংশিংগী নিংঙোলশিংগী থম্মোয়দদি খক তাবা লৈত্রবরা? শুপ্পগী অচাউরম পামজবা মীওই খুজোক খরখক্লা লমদমসিগী চম্না পাঙথোক্লরম্বা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসিদা হিদান্নবগী থৌদৌশিংগী মথেল অমা হাপচিল্লক্লিবসি ককথনবা হোৎনমিন্নগদবনি। থৌরমসিবু য়ারিবমখৈ চম্না অমসুং ৱাহন্থোক লৈনা পাঙথোকহন্নবগীদমক শুমাঙ কুম্মৈ কয়াদা, ফিল্ম কয়াদা অমদি লোকল টি ভিশিংগী চেনেলশিংদা ঙাইহাক লৈতনা পাউজেল কয়ামরুম চেল্লি। তৌইগুম্বসুং ঙসি ফাওবদদি মণিপুরদা পাঙথোক্লরিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমশিংদা হিদান্নবগী থৌদৌশিংসি খক হন্থনরকপগী থৌদৌশিং উদ্রি। লায়রবা ইমুংশিংগী নিংঙোল-পিবা কয়ামরুমদা মথম্মোয় পুবা ঙমদবমখৈ থোকহল্লিবা নিংঙমদবগী থৌদৌশিং কয়ামরুম চহী খুদিংগী অদুমক হঞ্জিন-হঞ্জিন থোকহল্লি। মসিরা লায়রবা খুন্নাইসিদা শুপ্পগী ইনাকখুনবা খুজোক অমখক্লা লমদমসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিত্তা মথম্মোয়নুংদা নুংঙাইবগী ইথক কাজবা ঙম্মী হায়দুনা চাউথোক্লরিবসি?